HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ভুবোন টেক্নিকেল এন্দ স্কিল দিভেলপমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদ (বি টি এস দি পি এল) দা ত্রেনিং লোইদুনা পাস তৌরবা মীওইশিংদা সর্টিফিকেট অমসুং ওফর আই দি ফোর্মশিং য়েন্থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখিবা

লৌশিং পূক্কে : মিনরেল বোটলশিং অমদি দিস্পো গ্লাসশিং ... লামায় ২
লামায় ৪ জুন ১৮না লাকপদা
'ইন্দিয়া অসি করম্বা লৈবাক্নো-?' লামায় ৫
লামায় ৬ কুকি শীজিন্নদুনা মণিপুরদা প্রোক্সি ৱার চথরকপনি : ইপসা
জম্মু এন্দ কাশ্মির : এ কে রাইফল পুখিবা য়াওনা মীওই ... লামায় ৮
লামায় ১০ য়ুরো কপ ২০২৪ : পোর্টুগলনা চেক রিপব্লিক...

এম এস এফনা 'ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি' হায়না চথরকখিবা থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল রিট্টন ক্বিজ কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকপা থৌরমগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 48, Issue No. 079 | শগোলশেন, ইঙাগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, June 20, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# মণিপুরগী লান লোইশিন্দুনা ঈং-তপ্পা পুরকউ হায়দুনা পার্টি ১০না গভর্ণর ১সুং সী এমদা তকশিনখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক চহী ১গা থা ২ ফাজিল্লকপগা ইরোয়ননা জিরিবামদসু থা অসিগী ৬তগী হৌরদুনা থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী ওইবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা পূন্সিদা হঞ্জিলহল্লু হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং তকশিনবা মেমোরেন্দম অমমম গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা মণিপুরগী ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টি ১০না পীশিনখিবগা লোয়ননা গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরগসু হকথেংননা উনখ্রে।

পোলিটিকেল পার্টি ১০গী খোঙথাং অসি থা অসিগী ১৭তা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মীফম্না কূপ্না খন্নরবা মতুংদা ৱাফমশিং অসি তকশিন্নবগীদমক গভর্ণর অনুসুইয়া উইকে অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন উনদুনা অইবা চেরোলশিং পীশিন্নবা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না চঙশিল্লকখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# হোম মিনিষ্টরনা কৌবা মীটিংদা য়াওহনখিদবা চীফ মিনিষ্টরদা য়াওরুবশিংনা পূকমেন পাউমেনখ্রে

## য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ষ্টেকহোল্ডরশিংগা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে : চীফ মিনিষ্টর

**ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৯দা নরেন্দ্র মোদিগী ৩লকশুবা টর্মগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুং নুমিৎ ৮নি শুরকপদা মহাক্কী অনৌবা অমসুং অহুল্লকশুবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা য়াওরিবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা টেররিষ্টশিংনা ওইহল্লক্লিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌখ্রবা মতুং নুমিৎ ৯নি শুরকপদা চহী অমা হেঞ্জিল্লক্লবা মণিপুরগী লানমা ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা হায় লেভেল মীটিং অমা মহাক্না লুচিংদুনা পাঙথোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্কী হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওহনখিদ্রবসু মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা মীফম অদুদা খন্নখিবশিংগী মতাংদা পূকমেন পাউমেন্নখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা থা অসিগী ৯দা ন্যু দেল্লীদা লৈবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী নোর্থ ব্লোকতা লৈবা ওফিসতা

### মণিপুরগী ফীভমগী মতাংদা ৱারী শাননবা চীফ মিনিষ্টর দেল্লীদা লাক্লবা খঙহল্লবা য়ারি : রিপোর্ট

হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা হায় লেভেল মীটিং অমদা শরুক য়ারুবা চীফ সেক্রেটরি ডা. বিনিট যোসি, সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমসুং দি জি পি রজিব সিংহনা ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## হোম মিনিষ্টরনা সিক্যুরিটি মীটিং পাঙথোকখ্রবা মতুংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা জিরিবামদা লান্দারকখ্রে

### চঙশিল্লুবা পুলিসশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী বুল্লেট প্রুফ গাড়ীশিংদা পানখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচএনএস) :** লোক সভা মীখল মতুংদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী লান লোইশিন্নবা থবক পায়খৎকনি হায়খিবগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৭তা মহাক্না চ্যের লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটি মীটিং অমা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা ঙসি নুমিৎ হুমনি শুরকপগী নুমিদাংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা জিরিবামদা অমুক হন্না লান্দারকখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা ঙসি নুমিদাং পুং ১০ খরা হেল্লকপদা গুলারথোনদগী ইম্ফাল লোমদা কিলোমিটর মখায়মুক চৎখৎলগা লৈবা ৱাপন মখোঙ হায়না খঙনবা মফমদা কুকি টেররিষ্টশিংনা ইহান হান্না মৈ থাবা হৌরকখি হায়রি। মফম অসিদা জিরিবাম পুলিসনা লেক-চাদুনা লৈত্রবসু ফ্রিস্কিং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## 'হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম য়ানীংদে, সী এম য়াওহনখিদবগী মরম করিনো'



**ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচএনএস) :** করি মরমগীদমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কৌখিবা হায় লেভেল মীটিংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু য়াওহনখিদ্রিবনো হায়না ঙসি জিরিবামগী ৱিমেন এসোসিএন ফোর সোসিও ইকোনোমিক দিভেলপমেন্ট (ৱাসেদ) কী প্রসিদেন্ট এন নিভারানিনা মহাক্কী য়ূমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না পাউমীশিংদা মখা তানা হায়, থা অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## খুল ঙাকপা য়াওরুরগা হল্লকপদা ঙাইরিবা নহা অমা শিরগা লৈরম্লে



**ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচএনএস) :** নহানমখৈ খুল ঙাকপশিংগী মরক তিন্দুনা খুল ঙাকপা য়াওরুরবা মতুং ঙরাং খক্তমক মশাগী ময়ূমদা লৌ-শিং উবা য়াওগনি হায়দুনা হল্লকখ্রবা মতুং ঙসি অয়ূক অঙনবদা শঙ্গাইয়ূম্ফম পার্ট ৱান শাবল লৈকায়দা শিরগা লৈরমখিবা খাঙবোক পার্ট টু মোইরাং পল্লি লৈকায়দগী থোকচোম অরুন (২৮) অপোকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## দেসামগী থৌমী ৩ : পুলিসকী চার্জদা ইভিদেন্স ফংদে হায়রকপদগী পি আর বোন্দদা থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচএনএস) :** লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসন দিরেক্টোরেটনা ত্রেন তৌদবা মীওইশিংবু প্রি প্রাইমারি ওজা ওইনা লৌননবা থবক পায়খৎলক্লে হায়রদুনা রিক্রুটমেন্ট অসিগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা দেসামগী থৌমী অহুম তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসননা ফারগা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবা য়াওনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

